# ব্রাজিলনা সাউথ অমেরিকাগী অহানবা ওইনা ফিফা ২০২২গী ক্বালিফাই ওইখ্রে

সাও পাওলো, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা কটারনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা সাউথ অমেরিকাগী মায়কৈদগী ব্রাজিলনা কলম্বীয়াবু ১-০দা ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ঙরাং মায়থীবা পীবা ঙমখিবদগী অহানবা ওইনা কন্টিনেন্ট অদুদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ব্রাজিলনা সাউথ অমেরিকাগী ওইনা লৈরিবা টিম ১০গী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা ঙরাং কলম্বীয়াবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়না শান্নখিবা গেম ১২দা পোইন্ট ৩৪ ফংলগা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা অর্জেন্টিনাদগী পোইন্ট ৯ হেন্না লৈখিবদগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ব্রাজিলনা কলম্বীয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী লুকাস পাকিতানা খ্বাইদগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কলম্বীয়াবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি। কলম্বীয়াগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা ব্রাজিলনা মায় পাক্তুনা সাউথ অমেরিকাগী ওইবা টিম ১০গী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মায়কৈদগী ব্রাজিলনা অহানবা টিম ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী মখোয়না যূম্বু ওইরগা শান্নখিবা ক্বালিফায়িংগী ১১শুবা থংন-থংনবা মেটচ মায় পাক্তুনা সাউথ অমেরিকাগী ওইবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙল্লি।

# দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসতা বাদোসানা সভালেনকা থোইখ্রে

গ্বাদালাজারা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): মেক্সিকোগী সিটি গ্বাদালাজারাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) ফাইনেলসকী রাউন্দ রোবিন থাক্তা স্পেনগী পোলা বাদোসানা মকোক থোংবা শান্নরোয় বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাবু মায়থীবা পীদুনা ফজবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী শান্নরোয় পোলা বাদোসানা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অদুগী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লেং মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা গেম ৪-৪ ফাওবা লৈনখি। অদুবু বাদোসানা সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা সেট অদু থোইখি। অনীশুবা সেটতা বেলারুসকী শান্নরোয় সভালেনকাগী মশান্না অদুগী তোঙান-তোঙানবা অশোনবা মফমশিং অদুদা এটেক তৌবা হেঞ্জিল্লকখিবা পোলা বাদোসানা খুদুম চন্দুনা সেট অদুদা সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌবা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী মায়কৈদগী তৌখিবা সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা ৬-০দা থোইরগা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, গ্রিসকী শান্নরোয় মারিয়া সকারিনা পোলেন্দগী শান্নরোয় আইগা সিৱাটেকপু রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা কা-হেন্না ৱাদনা সেট ২-০দা থোইখি।

অহানবা সেট অদুদা মারিয়া সাকারিনা পোলেন্দগী সিৱাটেককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা লম্বা কন্না মায়োক্নখ্রবসু সাকারিগী মায়কৈদগী চেকশিন্না শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইদুনা সিৱাটেককী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইরগা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকী রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা লম্বা তৌনবা অদুদা মায় পাক্লগা ফজবা ঙমখি।

# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা টি-২০গী মেটচ অহানবদা থেংনরগনি

বিরমিংঘম, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা ইংলেন্দনা যূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি বিরমিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসতা অহানবা ওইনা ক্রিকেট মশান্নগী নুপীগী ওইবা টি-২০ মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৮দা ক্বালা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতা ক্রিকেট মশান্না অসি হৌদোকখিবনি। মদুগী মতুং লেপ্পুরগা কুমজা ২০২২ বিরমিংঘম কমনৱেল্থ গেমসতা নৌহৌননা হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা চহী অদুগী জুলাই ২৯দা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইংলেন্দ ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, কমনৱেল্থ গেমসকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা নুপীগী টি-২০ কম্পিটিসন অসি য়াওগদৌরিবনি। জুলাই ২৯দা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা টি-২০গী মেটচ অদু শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেটচ ওইনা পাকিস্থান অমদি বার্বেদোসনা লম্বা তৌনগদৌরি। গেমস অদুগী মখা চত্থরকপা নুপীগী টি-২০গী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী ওইবা অনীশুবা মেটচ অদু জুলাই ৩১দা পাকিস্থানগা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী মখা তারকপা ওগষ্ট ৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং পাকিস্থাননা কমনৱেল্থ গেমস ২০২০গী নুপীগী টি-২০ মেটচ অদু শান্নগদৌরিবনি।

কমনৱেল্থ গেমস অদুদা যূম্বু ওইরিবা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু কুমজা ২০২২গী হৌরকপদা পাঙথোক্কদবা কমনৱেল্থ গেমসকী টি-২০ ক্রিকেট কম্পিটিসনগী ক্বালিফাই ওইরকপা টিম অদুগা লম্বা তৌনগনি। মদুগী মতুংদা ইংলেন্দগী টিম অদুনা ওগষ্ট ২দা সাউথ অফ্রিকাগা মায়োক্নগনি। পূন্না ক্বালিফাই ওইরকপা টিম ৭কা হান্নগী এলিট টিমশিংগা শান্নগদৌরিবনি।

# ব্রাজিলগা শান্নবা ফংবা লাইবক ফবনি : ওইনাম বেমবেম

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): হন্দক্তা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমনা অহানবা ওইনা পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুর মচা ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা মালেমগী ওইনা ফুটবোলদা চাওনা খূভম কন্দুনা লৈরবা ব্রাজিলগী নুপীগী টিমগা শান্নবা ফংবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ব্রাজিলগী টিম অসি মালেমগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ব্রাজিলগা শান্নবদা য়াম্না লাইবক ফংবা খূদোংচাবা অমা ফংলবনি হায়না ইন্দিয়াগী ‘দুর্গা ওফ ইন্দিয়ন ফুটবোল’ হায়বা মিংথোল ফংলবী ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তাখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হৌজিক লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা ব্রাজিলগী মানোস সিটিদা চিলি অমদি ভেনিজ্যুএলাগী টিমগা যূম্বু ওইরিবা ব্রাজিলগা শান্নগদৌরিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অসিদা হান্না ফংলমদবা এক্সপরিয়েন্স কয়া অমা ফংবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা থমখি। মসিদসু নৎতনা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অহুম অদুগা শান্নরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা টিমশিংগা করম্বা মওংদা লম্বা তৌনরগা মায় পাকপগী খূদোংচাবা লৌবা ঙমগদগে হায়বগী পারা অদুসু হন্দক্কী ব্রাজিলগী সিটি মানোসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুনা চাওনা তম্বীগদৌরি।

পদ্মশ্রী এৱার্দী ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোরকখিবদা, ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোল অসি মমাংদা মহাক্না শান্নরিঙৈদা লৈরম্বা থাক অদুদগী হৌজিক লৈরিবা থাক অসিনা অহেনবা খূদোংচাবা কয়া অমা ফংবা ঙল্লি। মসিগী কান্নবশিং অদু শান্নরোয়শিং অসিনা মপূং ফাহনগদবনি হায়খি।

# সিনিয়র ৱিমেন্সকীদা সাই আর সীগী টিম এ অমসুং বি সেমীফাইনেল লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): সিনিয়র ৱিমেন্সকী রেগু ইভেন্টতা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) আর সীগী টিম এ অমসুং বি সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেল অমদনা এম পি এস সী (বি) অমসুং পি য়ু সী (এ) কাইরং থেংনগদৌরি।

ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফেয়র লাইব্রেরি য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা পাঙথোকপা সেপাক টাক্রো টুর্নামেন্ট ২০২১গী ৩৫রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স রেগু ইভেন্টকী সেমীফাইনেলদা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর সাই আর সী (বি) অমসুং গ্রুপ এগী রন্নর সাই আর সী (এ)না সেমীফাইনেল থেংনগদৌরি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা গ্রুপ এগী ৱিন্নর এম পি এস সী (বি) অমসুং গ্রুপ বিগী রন্নর পি য়ু সী (এ) কাইরং লম্বা তৌনগদৌরি।

গ্রুপ এগী ওইবা ঙসিগী শান্নখিবা মেটচশিংদা মকোক থোংবা ঙমখিবা এম পি এস সী (বি) ইম্ফালনা সাই আর সী (এ), এস দব্লিয়ু সী (এ) অমসুং পি য়ু সী (বি)বু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইখিবা সাই আর সী (বি)না এস দব্লিয়ু সী (বি), এম পি এস সী (এ) অমসুং আই এম এস য়ু সীবু মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙল্লকখিবনি।

# ভেটেরান শান্নরোয়শিং লমথাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): খুরাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা হৈস্নাম সুভাশনা মণিপুরদগী গোৱাদা চৎকদবা ভেটরান শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ঙসি বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা শান্নরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লমথাবগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুবু লমথাবগী অচম্বা থৌরম অদুদা সুভাশনা ভেটরান শান্নরোয়শিং অদুদা থৌনা হাপ্পগী পাউজেল পীবগী ৱারোল অমদা, শরুক য়াবা চৎকদৌরিবা শান্নরোয় খূদিংমক্না ইরমদম মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপগা লোয়ননা গোল্ড মেদলশিং পুদুনা হল্লকপা মীৎকুপ অদুবু ঙাইদুনা লৈরমগে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি লমথাখ্রবা ভেটরান শান্নরোয়শিং অসিনা গোৱাগী মনোহর পরেকার ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নভেম্বর ১৭তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০শুবা নেসনল মেন এন্দ ৱিমেন্স বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুরবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী ভানারাসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতসু নভেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ভেটরান শান্নরোয়শিং অসিনা মায় পাক্না হল্লক্নবা লমদমসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না য়াইফ থৌনী নীমিন্নসি হায়না খুরাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা হৈস্নাম সুভাশনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# চীফ মিনিষ্টর বিরেননা মার্সিএল আর্টিষ্টশিংবু ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): চহী অসিগী ওক্টোবর ২৮ অমসুং ২৯দা গুৱাহাটিদা লৈবা কোটন য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা সী এস কে নেসনল ওল মার্সিএল আর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা কিক বোক্সিং মশান্নদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় ৭না গোল্ড মেদল ফংলকপা অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয় ৭ অদুৱাঙুদগী ঙাক্তনি। মদুদা নুপা অনী অমসুং নুপী মঙা য়াওরি। শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখোয়বু চিং লেম্না ওকপগী থৌরম অদু শরুক য়াখি। থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা সাউথ এসিয়ন ফেদরেসন ওফ ওল স্পোর্টস ইন্টরনেসনল গেমস ২০২১দা শরুক য়াগদৌরিবা শেলগী অৱাৎপা লৈরিবা ইমুংশিংদগী হৌরকপা শান্নরোয়শিংবু চেম্পিয়নশিপ অসিদা মায় পাকপা পুরকপা ঙম্মনবা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা শেলগী মতেং পীবগা লোয়ননা মখোয়না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌজাল পীখি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবা অদুবু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অদুগা কুম্বী এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা সঞ্জয় অহন্থেমনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু শান্নরোয়গী অমদি মখোয়গী অহল-লমনশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# এস দব্লিয়ু ৱাই সী অমসুং এ এস এস এ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চত্থরকপা এল এম দি এম সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ১৯শুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু ৱাই সী অমসুং এ এস এস এ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা এস দব্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎ অমসুং এ এস এস এ শঙ্গাইয়ুম্ফম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু ৩২শুবা মিনটতা এ এস এস এগী মানর খাননা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৪০শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু ৱাই সীগী লেম্বনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

# শান্নবনা করিয়র ওইবা য়াগনি : মিনিষ্টর রাজেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরিবা এস রাজেননা শান্নবনা করিয়র ওইবা য়াগনি হায়না ঙসি খুমন লম্পাক মল্টিপর্পজ ইন্দোর হোলদা মমাং থাগী ২০দগী ২৫ ফাওবা পঞ্জাবকী লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু (বোইজ/গর্লস) চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী ৱুশু শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱুশু শান্নরোয়শিং অদু ওকপগী থৌরম অদু ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না শীনখিবনি। মিনিষ্টর রাজেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মিংচৎ পুরক্তুনা ষ্টেট অসিবু অতোপ্পা মফমশিংগী মীয়াম্না মশক খঙনরিবনি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টস হাউস হায়নসু মণিপুরবু খঙনরি। মণিপুরগী ৱুশু টিমনা টুর্নামেন্ট অদুদা গোল্ড মেদল ২৫, সিলভর ১৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৫ লৌদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর রাজেননা মণিপুরদা লৈরিবা স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিংনা অপূনবা ওইবগী ৱাখল্লোনদা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা শান্নরোয়শিংগীদমক খন্দুনা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্দুনা অহেনবা মিংচৎ পুরকসি হায়না ফোঙদোকখি।

# বোল বেদমিন্টনগী ট্রায়ল সেলেক্সন


ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮দগী ১২ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী স্রিকাকুলমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪০শুবা সব-জুনিয়র নেসনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২১ ফোর বোইজ এন্দ গর্লস অমদি বিহারদা জন্যুৱারী ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৬শুবা জুনিয়র নেসনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম খন্নবগীদমক্তা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি। সব-জুনিয়রগী ওইনা কুমজা ২০০৬কী জন্যুৱারী ২গী মতুংদা পোকপা অদুগা জুনিয়রগীনা কুমজা ২০০২গী জন্যুৱারী ২গী মতুংদা পোকপশিংনা শরুক য়াবা য়াগদৌরি।

বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অসিনা হায়বদা, নভেম্বর ১৭তগীনা ২১ ফাওবা লুৱাংপোকপা লম্পাক/বাস্কেট বোল গ্রাউন্দ মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখাদা অয়ূক পুং ৭তগীনা ৯ ফাওবা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়রি।

# শখি অমসুং দ্বিজমণি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)গী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা হৌখিবা থা অসিগী ৯দা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট থিয়াম মোহেন্দ্রো প্রতাপনা চেয়রমেন ওইদুনা ভেটরান শান্নরোয় এলাংবম লৈকাইদগী এলাংবম শখি অমসুং এলাংবম দ্বিজমণিনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ভেটরান অনীবু ইকাই খুম্নবা উৎখি। শান্নরোয় অনীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 287**

**FM Rangel, Daniel (2210) - FM Karolczuk, Iwo (2357)**
**Titled Tuesday 2nd Nov chess.com INT (3), 2021.11.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.g3 g6 | 3.Bg2 Bg7 | 4.Nc3 O-O |
| 5.d3 d6 | 6.e4 c5 | 7.Nge2 Nc6 | 8.O-O Ne8 |
| 9.Be3 Nd4 | 10.h3 Nc7 | 11.f4 Rb8 | 12.a4 a6 |
| 13.a5 b5 | 14.axb6 Rxb6 | 15.Ra2 Bd7 | 16.g4 Qb8 |
| 17.Qd2 e6 | 18.f5 Be5 | 19.Rf2 Bc6 | 20.Bh6 Re8 |
| 21.Qg5 Qd8 | 22.f6 Nxe2+ | 23.Nxe2 Rxb2 | 24.Rxb2 Bxb2 |
| 25.Bg7 e5 | 26.Qh6 Ne6 | 27.Rf5 Bd4+ | 28.Kh2 a5 |
| 29.Ng3 a4 | 30.h4... | | |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 286 Ans. :**

21. ...Re1+ The black rook decoys White's knight. The black rook attacks White's king, which is defending square f1. Opening the line from f5 to f2. 22. Nxe1 Qxf2+ The black queen forks White's knight and king. The black queen attacks White's king, which is defending square f1. 23. Kh1 Qxe1# Anastasia's mate
23. ...Qf1# Anastasia's mate
21. ...Re1+
0-1

Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
ADMISSION OPEN!
1 year course for NEET 2022
1 year course for JEE Mains and Mains+Advanced
2 year course for NEET & JEE for Class 11 Students
For the promising future doctors and engineers, Resonance LLP Centre Imphal brings to you
• Best subject experts from Kota
• Live interaction classes
• Recorded classes for future reference
• Latest study materials
• Routine class tests
ENROLL TODAY!
★ Hostel and other amenities for Early Bird registrations
Classes commencing from 1st December 2021
SUBJECT EXPERTS: HIGHLY QUALIFIED IITians & RESEARCH SCHOLARS
Nachom Edu Foundation, 3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal- 795001
For more details
9402979552
8794961535
HL-B/7271/12-21/11



Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (1/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)
Class commencement : "to be start after Govt. Permission".
Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.




Special features : Chapterwise Test Series. We provide printed probable questions and answers. Hostel for Boys &Girls. Van Service available.
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol.
For more details pliz. contact #8413855751 / 9862712287
HL-P/0468/27 Oct. to 26 Nov.

CHEKSINBIYU ??????? CHEKSINBIYU ???????
MAHINDRA ALU CHARA SARAGA YOLLIBA SINGDAGI CHEKSINBIYU
MAHINDRA TISSUE CULTURED POTATO TUBERS
Alu Bora da Makhagi Asumna Thaba Ubigani
1. Mahindra HZPC Pvt Ltd
2. Tissue Culture
3. Samridhi by Mahindra
4. Mahindra HZPC Date of Packaging yaoba Price Tag amasu silai touba thengnabigani



Mahindra HZPC Alu Chara Amana Alu Kgs 2 Average Potthok Puthoknari
6th YEAR OF SERVICE TO BRING CHANGES
Samriddhi by Mahindra
A Joint Venture with HZPC
POTATO TUBERS
MACHELVA AGRO
Mahindra Tractor
Malom Bazar, Airport Road
Imphal Manipur.
HL-P/513/29/10-13/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com